# সনালৈবাক স্পোর্টস

SUNDAY, DECEMBER 22, 2013, PAGES 7

*চহী অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নরিবা ফুটবোলরগী লিষ্টতা য়াওরিবা খৃষ্টনো রানোলদো*

*মেন্সকি চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়ন এৱার্দ ২০১৩ ফংখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

## নিশানা এল এম এফ এ অমদি কে আই ৱাই সিনা য়ু এস এ মায়থীবা পীরগা প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

নিশা থাংমৈবন্দনা এল এম এফ এ হৈরোক অমদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা য়ু এস এ খুরাইবু মায়থীবা পীরগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চখৎরিবা ৫৭ শুবা সার চুরচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকি টিম অমা ওইরিবা নিশা থাংমৈবন্দনা এল এম এফ এ হৈরোকপু গোল ৯–১ দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে।

নিশাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু আই নিলাকুমারনা ২০, ৭৩ অমদি এদিসনেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৯২) দা অহুম জি গোলমৈনা ৮ অমদি ১২ শুবা মিনিটতা অনী, কে রেজেন্দ্র, পি খিষ্টোফর কামৈ, এল সনাতোম্বা অমদি এন জিমি সিংহনা মথংশিংনা ১০, ৩৮, ৪১ অমদি ৫১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

এল এম এফ এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ বিনোয় সিংহনা ১৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৩০, ৮০, ৬৬ অমদি ৮৯ শুবা মিনিটতা এল এম এফ এগী এস চন্দ্রকান্ত, এল জোনি, নিশাগী টি ঐচ সুরজিৎ অমদি কে রাজেন্দ্রোদা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

*য়ু এস এগী ও প্রামেশ্বরনা পেনালটি কাওখি (গোলদি চনবা ঙমহৌখিদে), টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা ঙকচানানা লৈখিবা।*

THE OLDEST LIVING POLOGROUND IN THE WORLD
KIYC 3 Vs USA 2
57th C.C. MEET 2013

অনীশুবা শন্নখিবা মেটচতা কে আই ৱাই সিনা ষ্টেট লীগকী টিম অমা ওইরিবা য়ু এস এ খুরাইবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে আই ৱাই সিগী গোলশিং অদু য়াংমি রাহিংনা ২১ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা গোল ২ অমদি আকবর খাননা অহানবা হাল্ফকি এদিসনেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৪৭) দা অমা চনখিবনি।

য়ু এস এগী গোল ২ অদুনা এল মিলন অমদি সি ঐচ রিক্স মৈতৈনা ৯ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুগী হানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল ২–২ চন্নদুনা মান্ননা লৈনখি। কে আই ৱাই সিনা গোল অনীশুবা হাল্ফকি হৌগৎলকপগী মিনিট ৮ চনবা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। পোরিবা গোল অদু য়ু এস এনা হন্দোক্লবগী তাঞ্জা অমা পেনালটি ফংলবসু ও প্রামেশ্বরনা কাওখিবদা কে আই ৱাই সিগী গোল কিপ্পর কে জেমসন মৈতৈনা সেফ তৌদুনা অরেম্বা তাহনখিবদগী মায়থীনবগী লম্বীদা চৎখি।

কে আই ৱাই সিনা মেটচ অদুদা শান্নরোই মরিনা য়েলো কার্দ চাখিবনা মরম ওইদুনা মিস কন্দক প্লে ওইখিবগা লোয়ননা শিল্লি লাংলিবশিংনা নিয়মগী মতুং ইন্না ফাইন থিগদৌরি।

য়েলো কার্দ চাখিবা শান্নরোইশিং অদুদি টি রিসিকান্ত (৩৪), এম রোমি মৈতৈ (৭১), এম দি রোহিট (৭৪) অমদি য়াংমি রাহিং (৯০) নি। য়ু এস এগী গোল কিপ্পর এস দিনাকুমারদসু রেফরিনা এদিসনেল টাইমগী অহানবা মিনিট ৯১ শুবদা পেনালটি এরিয়া মপালদগী বোল ফারুবগীদমক য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

### ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপ

## রাহুলনা চহী ১০ মখা নুপামচাগী টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

রাহুল পামৈনা চহী ১০ মখা নুপামচাগী টাইটল লৌখ্রে। মণিপুর টেনিস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা টেনিস কোর্টতা চখৎরিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ গী ঙসি শন্নখিবা চহী ১০ মখা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা রাহুল পামৈনা পারস লুক্রামবু ৪–১, ৪–১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

চহী কাওলূপ অসিগী নুপীমচাগী ফাইনেল মেটচতনা চারমি নোংমৈকাপমনা এল বিন্দ্ররানীবু ৫–৪ (৮–৬), ৪–২ দা মায়থীব পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখ্রে।

চহী ১৪ মখা নুপীমচাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সি ঐচ বন্তিনা কাতানজিলু গোলমৈবু ৪–০, ৪–০ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখ্রে।

চহী ৫৫ মথক্কী ভেটরান দব্লসকি ফাইনেলদা বুৱেন সিংহ অমদি টি জয় সিংহগী জুরানা ঐচ কালা সিংহ অমদি ঐচ দিগেনগী জুরাবু ৯–৫, ৯–৩ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখ্রে।

চহী ৪৫ মথক্কী ভেটরান দব্লসকি ফাইনেলদনা দিলিপ অমদি টুলেশ্বরগী জুরানা ডা প্রিটম অমদি রামকুমারগী জুরাবু ৬–২, ৬–১ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখি।

মেন্স দব্লসকি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা ব্রোজেন অমদি রিবাসকরগী জুরানা ইবোহল অমদি বোনাগী জুরাবু ৭–৫, ৭–৫ তা অমদি প্রেমজিৎ অমসুং লেলেঞ্জিগী জুরানা অজাদ অমদি অমরজিৎকী জুরাবু ৬–০, ৬–২ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

মেন্স সিঙ্গলসকি সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা প্রেমিজৎনা লেলেঞ্জিবু ৬–১, ৬–২ দা অমসুং ব্রোজেন্দ্রোনা কংজাম্ববু ৬–০, ৬–৪ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ১২ মখা নুপামচাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রজিবনা রাহুল পামৈবু ৪–২, ৪–০ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চয়ট রাজকি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বরুন মিত্রনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা লোইশিল্লগনি।

## ঙসিদগী রবিচন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

এম রবিচন্দ্র ত্রষ্ট ক্যামগৈ, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ক্যামগৈ আইদেল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা হয়েংদগী টিম ২৩ না শরুক য়াদুনা মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ৭–এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ হৌরগনি।

নোক আউট বেসিষ্টতা চখৎগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ নুংথিলগী পুং ১ তবা মতমদা এস এস সেক্তাগা লিসবোন লুৱাংশংবমগা শান্নগনি, তাং ২৩ গী নুংথিল পুং ১ দা আই এফ টি সোইবক লৈকাইগা পি এল এল বাসিখোঙগা শান্নগনি। তাং ২৪ গী নুংথিল পুং ২ দা এ বি সি ফৈদিংগাগা উয়োল লংদুমগা শান্নগনি।



FIXTURE
1. ASYC, Andro
2. SSC, Sekta
3. LISBON, Luwangsangbam
4. HRDO, Samurou
5. OSHIND, Kongba Irong
6. KFC, Canchipur
7. IFT, Soibam Leikai
8. PLL, Bashikhong
9. ABC, Pheidinga
10. UYOL, Langdum
11. CFC, Chajing
12. ANISHKA, Uripok
13. WST, Urup Makha Leikai
14. LFC, Tekcham
15. AAA, Kongpal
16. SFC, Heingang
17. KYC, Kakwa
18. KHFC, Kyamgei
19. WLFC, Waikhom Leikai
20. NU, Kshetrigao
21. WAFA, Wangoi
22. SHFC, Mairenkhong
23. RDD, Wangkhei
22-12-13 1.00 pm
23-12-13 1.00 pm
24-12-13 2.00 pm
25-12-13 2.00 pm
26-12-13 2.00 pm
27-12-13 2.00 pm
28-12-13 2.00 pm
29-12-13 2.00 pm
30-12-13 2.00 pm
31-12-13 2.00 pm
2-01-14 2.00 pm
3-01-14 2.00 pm
4-01-14 2.00 pm
5-01-14 2.00 pm
6-01-14 2.00 pm
7-01-14 2.00 pm
8-01-14 2.00 pm
9-01-14 2.00 pm
10-01-14 2.00 pm
11-01-14 2.00 pm
12-01-14 2.00 pm
15-01-14 2.00 pm



*মেনচেষ্টর সিটিগী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা মেটচকি মাঙওইননা শুন্দরলেঙবু মায়থীবা পীখ্রবা মেনচেষ্টর য়ুনাইদেটকি শান্নারোইনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা।*

## পালমৈপুই কমাওপি ফুটবোল টুর্নামেন্টকি সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

শওম্বুং সাইরেম য়ুথ ক্লব, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চখৎরিবা অহানবা পালমৈপুই কমাওপি মেমোরিএল জিলিয়ারোং ৬–এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ লোইখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা নমগুইলোংনা লংথবাল খৌপুমবু গোল ৭–১ দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে।

নমগুইলোংগী মায় পাকপগা গোলশিং অদু দাইসিঙমনা ২২, ৪২ অমদি ৫০ শুবা মিনিটতা অহুম, খৃষ্টোফরনা ৮ অমদি ১৭ শুবা মিনিটতা অনী অমসুং গোলমৈনা ২৫ অমসুং ৪৪ শুবা মিনিটতা অনী চনখিবনি।

লংথবাল খৌপুমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অসিংমৈনা ৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কখুলোংনা এন্টিক এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

কখুলোংগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু গাইখুমৈ অমদি লাংজামৈনা ৫ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এন্টিক এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জোন্সননা ২৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দ্যুইগাই পাংজাংগা নমগুংলোংগা অমদি অনীশুবা সেমিফাইনেলদা শওম্বুং শাইরেমগা হয়েং নুংথিলগী পুং ১ অমসুং ২ তাবা মতমদা শান্নগনি।

ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নগনি।

## অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

ময়াং ইম্ফাল খুমন য়ুথ এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা হয়েংদগী এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ হৌরগনি।

মথং চহীগী জনুৱারী ৩ ফাওবা চখৎগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা কন্দক তৌগদবা রেফরিশিং ঙসি ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন্না ঙসি লাউথোকখ্রে।

রেফরিশিং অদুদি নেসনেল রেফরি টি ঐচ ব্রজকেশ্বর সিংহ, এন জিতেন সিংহ, ৱাই ওপেন্দ্রো সিংহ, সি ঐচ মংলেম্বা সিংহ, ষ্টেট ক্লাস ৱান রেফরি এল তোম্বা সিংহ অমদি সি ঐচ রাজেন সিংহনি।

রেফরিশিংনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন্নগী রেফরি বোর্দকি চিয়ারমেন এল বালেশ্বর সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ টিমদা শেলগী মনা পা লীশিং ২০ অমদি ১৫ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিমদা লুপা লীশিং ৫ গী মনা পীগনি।

তোঙান তোঙানবা মনা কয়া বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট ব্লোক্কর, বেষ্ট স্পাইকর অমসুং বেষ্ট সেত রশিংদসু লুপা ৫০০, ৫০০ গী মনা পীগনি।

## ট্রায়েলদা শরুক য়ানবা নাওতোন কৌখৎখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

মীজোরামদা পাঙথোক্কদৌবিরা ৬৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সান্তোস ট্রোফি (নোর্থ ইষ্ট জোন) দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিম শেম্নবগী হৌজিক হৌজিক খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চখৎরিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন্দা শরুক য়ান্নবা নৌনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েন্না জেদ এফ সি চুরাচান্দপুরগী শান্নরোই কে ঐচ নাওতোন সিংহ হাপচিনখ্রে।

টিমি কোচ অমদি মেনেজরদা অথুবা মতমদা নাওতোননা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## ফেদরেসন কপকি রেফরি ৩ খল্লক্লে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

মথং চহীগী জনুৱারী ১৪ দা কোচিন অমদি মোনেজেরিদা, কেরলাদা শান্নগদৌরিবা ফেদরেসন কপ ২০১৩–১৪ দা কন্দক তৌন্নবা প্রোবিজিনেল্লি ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মণিপুরগী রেফরি অহুম আই রবিচন্দ্র সিংহ, এম মাঘো সিংহ অমদি সাপম কেনেদি সিংহ কৌরক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## রেফরি ফিটনেস টেষ্ট

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ ঃ*

চেন্নাইদা মথং চহীগী জনুৱারী ৯ দা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী কেটাগোরি ১ অমসুং ২ রেফরিশিংগী ফিটনেস টেষ্ট পাঙথোক্লগনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা কেটাগোরি ১ অমসুং ২ গী রেফরিশিংগী একটিভ ওইরবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল অম্ফাগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

CHEM
DISTANCE EDUCATION
(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)
Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab
Recognized by UGC
Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog /2013 (1233-1237)
PROGRAMMES OFFERED
COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :
MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,
MANAGEMENT :
MBA*,PGDBM,BBA*
LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :
MLIS,BLIS,DLIS
COMMERCE :
M.Com,B.Com
ART (in English & Hindi Medium :
M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A
Affordable Fees Structure
*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE
Prospectus and Application Forms are available at:
CHEM
CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT
CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162

[illegible]
Millennium Institute of Sciences
Presents for the first time
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Special features : AC room for daycare
✓ Home away from home for day care
✓ Hygienic mid day meal for day care
✓ Audio Visual Classrooms
✓ Play-way method of teaching system
✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.
Form available from 7th November 2013
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.
SL/29/19/B